এটলান্টিক্কী হরিকেন মতম



চহী অমগী মনুংদা এটলান্টিক্কী হরিকেন মতম (এটলান্টিক হরিকেন সিজন) অসি মহৌশানা ওসিন অসিদা হরিকেনশিং শেম্বা মতমদুবুনি। নোর্থ এটলান্টিক্তা ট্রোপিকেল সাইক্লোনবু হরিকেন হায়না খঙনৈ। হরিকেন্দা নৎতনা ট্রোপিকেল ষ্টোর্ম নৎত্রগা ট্রোপিকেল দিপ্রেসনসু কৌই। মসিগী মথক্তা চহী কয়ামুক অসিদা মপূং ফানা ট্রোপিকেল ওইদবা নোংলৈ নুংশিৎ (ষ্টোর্ম) কয়ামুকসু থোকখ্রে। মখোয়দু সব ট্রোপিকেল দিপ্রেসনশিং অমসুং সব ট্রোপিকেল ষ্টোর্মস হায়না মখল খাইখি।

মালেম পূম্বগী ওইনা ট্রোপিকেল সাইক্লোনগী এক্টিভিটি অসি কালেন্থাগী (সম্মর সিজন) অথেংবদনা খ্বাইদগী হেন্না কল্লি। মতমসিদা নোংথক্কী টেম্পরেচরশিং অমসুং ঈশিংগী (সিগী) ঈমাইগী টেম্পরেচরশিংগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবগী চাং খ্বাইদগী হেন্না ৱাংই। অদুম ওইনমক বেসিন খুদিংমক মশা মশাগী সিজনগী ওইবা মওং মতৌশিং (পেট্রনস) লৈজৈ। মালেমগী ওইনা মেনা খ্বাইদগী এক্তিভ ওইদবা থানি, অদুগা সেপ্টেম্বরনা খ্বাইদগী এক্টিভ ওইবা থানি। নোর্দন এটলান্টিক ওসিন্দা জুন অমদগী নবেম্বর ৩০ ফাওবা ওইবা তোঙানবা হরিকেনগী মতম অমা লৈরি। সিজন অসি ওগষ্ট অথেংবদগী সেপ্তেম্বর থাদা কনখৎলকই।

কুমজা ২০১৭কী ওইনা এটলান্টিক্কী হরিকেন মতম হৌজিকমক ওইরি। এটলান্টিক বেসিন্দা চহী অসিগী ট্রোপিকেল সাইক্লোনশিং শেম্বগী মতম হৌজিকনি। হন্দক্কী ট্রোপিকেল নুংশিৎসি কুমজা ২০০৫দগী খ্বাইদগী হেন্না শাথি হায়না লৌনরি। সিজন অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মপূং লমদা থুংখিবা অহানবা মরুওইবা হরিকেনদি হার্ভিনি। ৱিলমাগী মতুংদা হরিকেন হার্ভিনা কন্টিগ্যুস য়ু এসকী (অমগা অমগা শম্নবা ষ্টেট ৪৮) কী খ্বাইদগী মরুওইবা হরিকেন ওইখি।

কুমজা ২০০৫দা য়ু এসকী মপূং লমদা হরিকেন ৱিলমা থুংখিঙৈদগী লৈবাক অসিদা য়ৌরকখিবা মথংগী খ্বাইদগী শাথিবা এটলান্টিক হরিকেন অদু হরিকেন হার্ভি ওইখি। মরক্কী চহী ১২গী মতমগী মনুংদা হরিকেন অমত্তা অসুম্না শাথিবা মওংদা য়ু এসতা থুংখিবা লৈতে। চহী অসিগী এটলান্টিক্কী হরিকেন মতমগী অহানবা মরুওইবা হরিকেন অসি লেসর এন্টিলিজ হায়বা ইন্দিজগী ঈথৎ খরগী নোংপোকলোম থংবা মফমদা ট্রোপিকেল ৱেভ অমদগী ওইরকখিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ১৭তা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎকী ষ্টেট্টস য়ৌখি। নুমিৎতুগী মথংগী নুমিৎতা নোংলৈ নুংশিৎ অসি ৱিন্দৱার্দ ঈথৎশিং ফাওরগা চৎখি। করিবিঅন সিরো য়ৌবদা হার্ভি অসি মতিক ময়াই খরা হন্থদুনা ট্রোপিকেল ৱেভ অমা ওইরকখি। ওগষ্ট ২৪দা হার্ভিগী মপাঙ্গল শিংথানিংঙাই ওইনা কনখৎলকখি অমসুং ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎকী ষ্টেট্টস লাকখি। নুমিৎতুগী অথেংবদা হরিকেন হর্ভি চপ চানা মতিক ময়াই কল্লবা হরিকেন অমা ওইরকখি। ওগষ্ট ২৫দা কেটিগরি ৪ য়ৌনা কল্লবা হরিকেন অমা ওইনা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ হার্ভি টেক্সাসকী রোক পোর্টতা থুংখি। মদুগী মতুংদা কোষ্টলাইন মনাক্তা নৈশিন্দুনা লৈখি অমসুং মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ষ্টেট অদুদা নোং কন্না চুহনখি। গল্ফ ওফ মেক্সিকোরোমদা খর শোন্থনা হাইদোকখি। ওগষ্ট ২৫দা মপাঙ্গল খরা কনখৎলকখি অমসুং লুইজিয়ানা ষ্টেটতা অকনবা শাফুগা লোয়ননা থুংখি। হরিকেন হার্ভিনা মীওই ৮৩ শিহনখি। মখোয়গী মনুংদা অমনা গাইয়ানাদনি অদুগা অতে ৮২না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনি। শেল থুমদা পাবদা হরিকেন হার্ভিনা দোলর বিলিয়ন ৭০দগী দোলর মিলিয়ন ২০০ ফাওবা অমাং অতা থোকহনখি হায়না পানখি। ২০১৭কী এটলান্টিক হরিকেন সিজন অসিদা বেসিন অসিনা হরিকেন ইর্মাসু থোকহনখি। হরিকেন ইর্মা অসি গল্ফ ওফ মেক্সিকো অমসুং করিবিঅন সিগী ৱাংমদা এটলান্টিক ওসিন্দা শেমখিবা খ্বাইদগী হেন্না মতিক ময়াই কল্লবা হরিকেননি।

হরিকেন ইর্মা কা হেন্না মতিক ময়াই লৈবা অমসুং জেভ ভর্দিগী মওংদা হাইনিঙাই লৈতনা অমাং অতা থোকহনবা ঙম্বা হরিকেননি। কুমজা ২০০৭ তা এটলান্টিক্তা উবা ফংখিবা হরিকেন দিনগী মতুংদা খ্বাইদগী কনবা (ইনটেন্সিটি ৱাংবা) হরিকেননি হায়না লৌনৈ। হরিকেন ইর্মা অসি লেসর এন্টিলিজদা শোকহনখিবা অহানবা ওইনা রেকোর্দ তৌবা কেটেগরি ৫গী হরিকেননি। কুমজা ১৯৩২দগী ক্যুবাদা শিৎলকখিবা কেটিগরি ৫গী হরিকেনসু ওইখি। কুমজা মতুংগী কেত্রিনাগী মতুংদা ইর্মা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা থুংখিবা খ্বাইদগী কনবা এটলান্টিক হরিকেন অমসুং কুমজা ২০০৫ গী ৱিলমাগী মতুংদা ফ্লোরিদা ষ্টেটতা থুংখিবা অহানবা মরু ওইবা (অচৌবা) হরিকেননি। মমিং থোনবশিংগী মরক্তা মাপনশুবা নোংলৈ নুংশিৎ, মরিশুবা হরিকেন অমসুং কুমজা ২০১৭কী এটলান্টিক্কী হরিকেন মতমগী অনীশুবা অচৌবা হরিকেন ওইরিবা ইর্মানা মসিগী শাংলবা মতমগী মনুংদা পাক শন্না অমাং অতা অমসুং মীশি মীনা কয়া থোকহনখি। ইর্মানা মরুওইনা নোর্থ ইষ্টর্ন কারিবিঅন্সকী শরুকশিং অমসুং ফ্লোরিদা য়ামদ্রবদা মীওই ৮২ শিহনখি। মদুগী মনুংদা করিবিঅনদা মীওই ৪৩ শিখি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ৩৯ শিখি।

মালেমগী অঙকপশিং

কম্বোদিয়াদা লৈবা অঙ্কোর ৱাট

মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লাইকোলনি “অঙ্কোর ৱাট” হায়বসি। কম্বোদিয়াগী য়সোধারাপুর (লঙ্কোর) দা খমের নিংথৌ সুরয়াবর্মন টুনা ১২ সুবা চীহ চাদা হিন্দুগী লাইশঙ ওইনা শাখিবদগী কোন্না বুধিষ্টশিংগী ওইনা ওনথোকখিবনি। মখুৎ-মশা হৈবগী মমি ময়েক শেংনা তারবা লাইশঙ অসি লৈবাক্কী ফীরালদা য়েকপগা লোয়ননা লম কোয়বশিংগী মরু ওইবা মীৎয়েং তাফম অমা ওইরে।

থাজনবী অমগী মতুং ইন্না অঙ্কোর ৱাট অসি ইন্দ্রগী য়াথং মতুং ইন্না শুপ্নগী অহিং অমখক্তদা শাবা লোইখিবনি হায়না লৌনরি। নোংচুপলোমগী মীওই অমনা মফমসি য়েংবা লাকখিবসি পোর্টুগীজ মোঙ্ক এন্টোনিওদা মদালেন না ইহান হাল্লি। কুমজা ১৫৮ তা কোয়রকখিবা মীওই অদুগী মতুং ইন্না অঙ্কোর ৱাটকী ফজবসি ৱাহৈনা ফোঙদোকপদা খরা ৱানা থোক্কনি হায়রি। মতম কুইনা য়েংশিনবীদবদগী ফীভম শোক্লুরবা লাইকোল অসি ২০ শুবা চহীচাদা নীংথিনা শেমজিন শাজিনখি। সিভিল ৱার থোরকখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৭০ অমদি কুমজা ১৯৮০ গী পরিংদা খমের রুজনা লৈঙাক থৌদাং পায়খিবদগী মতম মরা শেমজিন-শাজিনবদা অপনবা থোকখি।

অতৈ অতোপ্পা খমেরগী লাইশঙশিংগা মান্নদবা মওংদা মমায় মনীং থনবা অঙ্কোর ৱাটকী মরমদা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকখি।

কনাগুম্বনা লাই ময়ামগী ময়ুমগা মান্ননা শেমগৎপনি হায়না মোৎ পীনরক্লবসু কনাগুম্বা খরনদি নিংথৌ সুরয়াবর্মনগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকফম মফম ওইনবা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা শেমগৎখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি। তরানিথোই শুবা চহীচাদা খমের অর্কিটেকশিংগী মখুৎ-মশা হৈবগী চাও ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা চেক্কী মহুৎতা সেন্দষ্টোন শীজিন্নদুনা অচৌ অচৌবা বিল্ডিং কয়া শাখি। অঙ্কোর ৱাটসু সেন্দষ্টোন না মরু ওইবা মচাক ওইনা শীজিন্নদুনা শাবনি।

মপান ইথং থংবা মিটর ৪.৫ ৱাংনা খাবা চেকপলগী অকোয়বদা মিটর ৩০ পাকপা লম্পাক অমা লৈ। মদুগী অকোয়বদনা মিটর ১৯০ পাকপা পাৎ অমা লৈ। কনাগুম্বানা লাইশঙ মনুংদা চঙগে হায়রবদি নোংপোক নৎত্রগা নোংচুপ থংবা মায়কৈদগী চঙগদবনি। মায়কৈ মরিদা লৈরিবা মরু ওইবা টাৱরশিংগী মনুংদা খা মায়কৈগী টাৱরদা বিষ্ণুগী মিত্তম অমা লৈ।

অহানবদা বিষ্ণুগী মিত্তম খিন্দুনা হিন্দুশিংগী ওইরম্বা লাইশঙ অসি অকোনবদা বুধিষ্টশিংগী ওনথোকখি। লাইশঙগী মনুং থংবা ফক্লাংদা রামায়ন অমদি মহাভারতকা মরী লৈনবা শক্তম কয়া য়েক্লি। অঙ্কোর ৱাটকী য়ুম্বী মখোঙ অমদি ফক্লাং মমায়দা অপসরা অমসুং দেবতা কয়াগী শক্তম য়েকই।

মার্বল মান্না শীৎ নাল্লবা নুঙজাও কয়া মথং-মথং শম্নদুনা শারিবা লাইশঙ অসিদা করি করম্বা পোৎলম শীজিন্নদুনা নুঙ অমগা-অমগা নপশিন্নহনবগে হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। নীংথিরবা লাইশঙ অমদি মসি শাবদা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিং অদু উরুরগা অখঙ-অহৈশিংনা পীরকখিবা থোত মতুং ইন্না মখুৎ মশা হৈবা মীওই লিশিং কয়ানা মতম চঙনা লাইকোন অসি শেমগৎখিবা ওইরমগনি হায়রি।

মরু ওইনা লম্বী থোংগী খুদোংচাদবা মমাঙঙৈগী মতম অদুদা চাউর-চাউরবা নুঙজাও ময়াম অমা হোন্দোক- হোঞ্জিন তৌবা হায়বসি অরায়বা নত্তে।

কুমজা ১৯৮৬ তগী কুমজা ১৯৯২ ফাওবা অর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়ানা শেমজিন শাজিনখিবা লাইকোন অসি ঙসিদি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা লমকোয়বা কয়াগী মরু ওইবা লমথুংফম ওইরে।

অঙ্কোর ৱাটকী মরমদা মরু ওইবা ৱাফম খরা খঙমিন্নসি ঃ

- মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লাকপা লমকোয়বশিংনা কম্বোদিয়াদা কোয়রকপগী মরু ওইবা মরমদি অঙ্কোর ৱাট লৈবননি।
- কম্বোদিয়াগী ওইনা চাউথোকচনিঙাইগী মশক ওইরবা লাইকোল অসি লৈবাক্কী ফীরাল অমদি শৈলয়েকশিংদা য়েক্লে।
- মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা লাইকোল অসি ১২ শুবা চহীচাদা শাখিবনি।
- অতৈগা মান্নদবা মওংদা মমায় মনীং ওল্লগা শারম্বা মরম্না অঙ্কোর ৱাট অসি অশিবগী মথৌ মঙম পাঙথোকপগা মরী লৈননা শারম্বা ওইরমগনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোত পীরি।
- তরাহুমদোইসুবা চহীচা লোইশিল্লকপদা লাইশঙ অসি হিন্দুদগী বুধিষ্টশিংনা লৌশিন্দুনা ঙসি ফাওবা মখোয়গী ওইনা শীজিন্নরি।
- কুমজা ১৯৯২ দা য়ুনেস্কোগী ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইটতা চনখ্রবা লাইকোন অসি হুরান-চিন্থি তৌবশিংনা অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা মমল য়াম্বা পোৎলম কয়া হুরানখ্রবা মতুংদা মালেমগী থাক্তা হোৎনদুনা নীংথিনা শেমজিল্লে।
- পেরামাওন্ট পিকচরসকী মমিং চৎলবা ফিল্ম “ টোম্ব রেদর” গী মতেক খরা অঙ্কোর ৱাটতা নমখি। নুমীৎ তরেৎনিখক ফিল্ম নম্বগীদমক পেরামাওন্টনা লুপা লাখ ৪২ পীখি।

ব্যুটি দাইরিজ - মেক অপ

শম কেনবা ফনবা অচম্বা পাম্বৈ খরা

খৃৎকী খুবাক অমদি খোঙগী খোঙপাক খক নৎতনা হকচাংগী অতৈ মফম পুম্নমক্তা শম হৌই। শম্না খরদি অসুক্কী মতীক কৃপ্পদগী মীৎনা উবা ফংদে। কেরাটিন কৌবা প্রোটিন মখল অমনা শম্নাশিং শেল্লকপনি। শমখোঙদা অনৌবা হ্যের সেলশিং শেল্লকপগা অরিবা সেলশিং ঊনশাগী মপানলোমদা ইনথোরকই। মসি ঐখোয়না উরিবা শম্নাশিং অসিনি। তশেংবদি শম্না পুম্নমক অশিবা কেরাটিন সেল ঙাক্তনি।

মপূং-মরৈ ফারবা মীওই অমগী মকোক্তা চাউরাক্লা শম্না লাখ অমদগীনা লাখ অমা-মখায় ফাওবা হৌই অমসুং নোংমদা শম্না ১০০ ফাওবা কেল্লি। মরম অদুনা শমজেৎতা শম্না খরা পক্লকপা উবদা থোইদোক্লা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে।

শম কেল্লকপগী তোঙান-তোঙানবা মরম কয়ামরুম লৈ। হোর্মোন, খুদম ওইনা এন্দ্রোজেন (নুপাগী হোর্মোন)গী খল কায়রকপা; জিনদা অশোয়বা লৈবা; ৱাখল ৱাবা; লায়না মখল খরা; অঙাং উনবা; ফঙ্গেল ইনফেক্সন; অকন-অকনবা হীদাক-লাংথক চাবা; মৈনা পোকখিবা; থাইরোইদ, ল্যুপস; দাইবেটিস; আইরন ৱাংপা; চাবা-থকপা তৃপ্বা মতম নাইদবা; ঈ ৱাংপা, কা-হেন্না শেম্পু লুজবা অমসুং প্রোটিনগী চাং ৱাংনা চাবা অসিনচিংবা মরম কয়ামরুম্না শম কেনহল্লি।

তশেংবদি শম কেনবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্লা পুন্সিগী তাঙ্কক অমা নৎত্রগা অমদা হেক-হেক মায়োক্লবা মহৌশাগী ওইবা থৌওং অমনি। অদুম ওইনমক মহৌশাগী ওইবা চাংদগী কা-হেন্না শম কেল্লকপা তারবদি নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওই। লেক-লেক লাউনা নীংথিজবা অমসুং ৱাই-ৱাই তাবা শল্লাংনা মীওইবগী শক ফজবা, মরু ওইনা নুপী ওইবীশিংগী ফজবা হেনগৎহল্লি।

শম কেনবা ফহ্নৱগী মতাংদা ইচম-চম্না ঈশা-ঈশাগী য়ুমদা লৌখৎচবা য়াবা থৌরাং খরা খঙমিন্নসি:

- চেঙহী লুজবগী মওংদা নোংমা-নোংমা কাল্লগা য়ুবী মহীনা কোক তৃপ্না কান্নগনি।
- মেথি মরু খরা ঈশিংগা লোয়ননা তকখায়রগা কোক্তা তৈশিন্দুনা মিনিট ৪০ রোম থল্লবা মতুংদা কোক তুমথোক্কদবনি। থা অমা চুপ্পা নুমীৎ খুদিংগী থৌরাং অসি লৌখৎপা তারবদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি।
- খম কেনখিবদগী কোক তাঙবা মপাদা তিলহৌনা ঙাইহাক তক্লগা খোইহী তৈশিল্লবদি অনৌবা শম্না হৌগৎলকপা থেংনগনি।
- য়েরুম অমগী মমুৎ লৌরগা খোইহী খরা য়ানশিল্লবা মতুংদা শমখোঙ থেংনা তৈশিনগদবনি অমসুং পুংখায় অমগী মতুংদা অচম্বা শেম্পু অমনা কোক তুমথোক্কদবনি।
- শঙ্গোম অফন্বা চামচ মঙা, চম্প্রা মহী চামচ অমা অমসুং বেসোন চামচ অনী য়ানশিন্নরগা কোক্তা তৈশিনগদবনি অমসুং পুং অমগী মতুংদা ঈশিং অচম্বনা শেংনা থাদোক্কদবনি।
- হৈক্রু ফুৎপগী মহীনা কোক তূপ্লবসু শম কেনবা ফহল্লি।
- য়ুবী থাউ অমদি এলো বেরা জেলনা শমখোঙদা মসাজ তৌরগা মিনিট ৩০গী মতুংদা লুম্ব-লুম্ব শাবা ঈশিংনা থাদোক্কদবনি। চয়োল অমগী মনুংদা অহুম্লক্লা থৌওং অসি চথরবদি কান্নবা ফংগনি।
- য়ুবী থাউদা চম্প্রা মহী খরা শুমজিল্লগা শমখোঙ থেংনা তৈরবসু শম কেনবা ফহল্লি।

Hair Fall
Treatment

ব্রেদ পূলাউ করম্না থোংগদগে

অয়ুক তৃম্বা হৌগৎলগা চাবা ব্রেকফাষ্টকীদমক য়াম্না চূনবা চীঞ্জাক্নি। মহাউ লৈবা অমসুং চাবদসু হকচাং ফবা মথেল অসি থবক-ইনখাং চৎথোক্লরুরগা নুমিদাংৱাইরমগী অরাম্বা কোকহন্নবা চাবসু অদুম্মক চূনৈ।

চঙগদবা পোৎচঙ ঃ

◆ ব্রেদ পীস ৭/৮ ◆ অচাথাউ চামচ তংখায় অমা ◆ মোরোক অকংবা ১/২ ◆ জীরা চামচ তংখায় অমা ◆ করী পট্রা মনা ৪/৫ ◆ হীং খরা ◆ হৱাই মায়রোংবী চামচ তংখায় অমা ◆ তীলহৌ অমা ◆ টোমেটো কেটচপ চামচ অমা ◆ য়াইঙং মকূপ খরা ◆ চিনি চামচ অমা ◆ থুম খরা

থোংবগী মওং ঃ ◆ ব্রেদকী মতাই থংবা অকনবা শরুকশিং লৌথোক্লগা মচেৎ-মচেৎককথৎলো। ◆ মৈথক্তা খাং থাংগৎতুনা অচাথাউ হৈরো। ◆ জীরা, মোরোক অকংবা, করী পট্রা, হীং অমদি হৱাই মায়রোংবী হাপচিন্দুনা ঙৌরো। ◆ তীলহৌ অশোইবা হাপচিন্দুনা মচু ওল্লক্ত্রি ফাওবা ঙৌরো। ◆ টোমেটো কেটচপ, য়াইঙং মকূপ অমদি থুম হাপচিল্লগা ওৎলো। ◆ মকক-মকক কক্লবা ব্রেদ হাপচিল্লো। ◆ মথংদা চিনি হাপচিল্লগা নীংথিনা ওৎলো। ◆ মৈথক্তগী থাংথরো অমসুং ফদিগোম মনা চাইশিল্লগা ফোঙ-ফোঙ শানা চট্রনি নৎত্রগনা সোসকা চামিন্নবা য়ারে।

[illegible]

[illegible]

[illegible]			[illegible]					[illegible]
[illegible]								
	[illegible]				[illegible]			
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]		[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]

[illegible] :

[illegible]

[illegible]

[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]
[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]	[illegible]

[illegible]

CAR RENTAL BUDDY

CAR RENTAL BUDD

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

‘মঙ’ রেকোর্দ তৌনবা খুৎলায়

কনাসু নুংঙাইতবা মঙ মঙনিংদে। মঙ নুংঙাইরবদি থবক চৎথোক-খোৎতোকপদা ৱাখল নুংঙাইবগা লোয়ননা তৌরুবা থবক খুদিংমক মায় পাক্কদোইবোই নিংহল্লি। হন্টর লি সোইক অমদি জেসন কার্ভালহোনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অমগী মখাদা পুথোক্লবা হোৎনরিবা খুৎলায় অসিগী মমিং “শেদো” কৌই। স্লীপ সাইন্টিষ্ট তরুক্কী মীৎয়েংখাদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা মীওইবগী তৃপ্লিঙৈ মতমদা মঙবা মঙ পুম্নমক ৱাহৈ ওইনা নৎত্রগা মখোল ওইনা রেকোর্দ তৌহৌনবা হোৎনরি।

ঐখোয়না তৃপ্লিঙৈদা মঙবা মঙ অয়াম্বা মীৎকপ থোরক্লবা কান্দা লোইনা কাউথোকখি। অদুবু খুৎলায় অসি মায় পাক্লা মথৌ তৌবা হৌরবদি করি মঙ মঙখিবগে হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা ঙম্লগনি। মদুদসু নত্তনা তূম্বা অমদি মঙ মঙবগী মরমদা থিজিল্লিবা সাইন্টিষ্টশিংদা চাউনা মতেং ওইরগনি। মীওইবনা হেক তুমখিবদগীনা মীৎকপ থোরকপফাওবগী মরক্তা লৈবা মতম অদুবু “হিপনোপোম্পিক” স্লীপ হায়না খঙনৈ। মঙ খ্বাইদগী য়াম্না মঙলিবসু হায়রিবা মতাং অসিনি। কনাগুম্বা অমনা হেক তুমথখিবগা “শেদো” না মশা মথন্তা মথৌ পাঙথোকচদুনা মীওই অদুগী মঙ পুম্নমক রেকোর্দ তৌগদবনি। হৌখিবা নবেম্বর থাদগী পায়খৎপা হৌখিবা প্রোজেক্ট অসি অথুবা মতমদা মায় পাক্কুনা মীওইবগী মঙ পুম্নমক রেকোর্দ তৌবা শোয়দনা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।